# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 13-11-2025)**

**তমতা (এল)ঃ** কেন্দ্রগী রোড ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজগী রাজ্য মন্ত্রি-অজয় তমতানা হায়রি-রাজ্য অসিগী মনুং হুনজিনবা মফমশিং য়াওনা লম্বী থোংগী ফিভম ফগৎহন্নবা কন্না হোৎনরি।

ইম্ফালদা ঙরাং নুমিদাং পাউমীশিংগা উন্নবদা অমদা শ্রী তমতানা হায়-পুন্না কিলোমিটর লিশিং ১,৭৭৪ শাংবা নেসনেল হায়ৱেশিং শেমগৎ শাগৎপগী থবক এন.ঐচ.আই.দি.সি.এল. অমসুং রাজ্যগী পি.ডব্লিয়ু.ডিনা চত্থরি। মন্ত্রিনা হায়-কিলোমিটর ৭৪৭ শাংবা হায়ৱেগী শরুকশিং হান্ননা শেমগৎতুনা কোইলাস থাবা লোয়খ্রে। মসিগী মথক্তা হান্না লেন্দ অমত্তং ওইরম্বা লম্বীশিং লেন্দ অনি ওন্থোকখ্রে। লেমহৌরিবা কিলোমিটর ৩৩২ শাংবা হায়ৱেগী শরুকশিং শেনবা চহি ২০২৬-২৭ কী মনুংদা শেম্বা লোয়শিন্নবা পান্দম থম্মি। হৌখিবা চহি মঙা অসিদা লুপা কোতি লিশিং ১২ চাদিং তৌদুনা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্ট ৫১ পায়খৎলি।

মহাকা হায়-লম্বী শেমবগীদমক লম লৌশিনবা অমদি উমংগী শরুকশিং শোকপদা মদুগী ক্লিয়ারেন্স লৌনবা হোৎনবদা মতম চংবদগী লম্বী শেম্বগী থবকশিং থিন্থহন্নবগী অচৌবা মরম ওইরি। শেনবা চহি ২০২৫-২৬ ফাওবগী মনুংদা ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী-নেসনেল হায়ৱে ৩৭, নেসনেল হায়ৱে ২০২ গী য়াইঙংপোকপীদগী ফিন্স কোনর ফাওবা, নেসনেল হায়ৱে ১৩৭ গী তমেংলোংদগী মহুর ফাওবা, নেসনেল হায়ৱেশিং ১০২ (বি) গী চুড়াচান্দপুরদগী তুইবাই ফাওবা অমসুং নেসনেল হায়ৱে ১২৯ (এ) গী মরামদগী পেরেন ফাওবগী লম্বীশিং শেম্বা লোয়শিন্নবা পান্দম থল্লি।

**তমেংলোং (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর, ককচিং অমসুং থৌবাল

জিলাশিংদা ওক্তা আফ্রিকান স্বাইন ফিবরনি হায়না চিংনবা লায়না অমা শন্দে দারকখিবা অদুগী মতাংদা চপ চাবা অশেংবা অদু খঙদোকবা ভেটিরিনারি এন্দ এনিম্যেল হসবেন্দরি দিপার্টমেন্টনা সেম্পলশিং লৌদুনা থাখ্রে।

ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল তমেংলোংগী চীফ ইগজকিটিব ওফিসারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-লায়না অসিগী চপ চাবা মশক খঙদ্রিবা ফাওবা অমদি লায়না অসি নীংথিনা লাকশিনদ্রিবা ফাওবা তমেংলোং জিলাগী মনুংদা ওক কত্তুনা য়োনবা অমদি অতোপ্পা জিলাশিংদগী তমেংলোং জিলাদা ওক পুশিল্লকপা থিংলে।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা চিংনবা মফম কয়াদা এরিয়া দোমিনেসন অমসুং থিবা হুন্বগী থবক লেপ্তুনা চথরি।

অককবা পাউশিংদা য়ুম্ফম ওইদুনা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা নমদুনা শেল খায়বা অমদি আইননা য়াদবা থবকশিংদা চেন্নবা মীওই কয়া ফাগৎপা লেপত্রি।

রাজ্য পুলিসকী কন্ত্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুং চনবা তাওথোং অয়ুংবা মমাং লৈকাইদা লৈবা মশাগী য়ুমদগী ঙরাং প্রিপাক (প্রো) গী মীওই অমা ফারে। লমদেং খুনৌদা লৈবা মশাগী য়ুমদগী অতোপ্পা প্রিপাক (প্রো) গী মীওই অমসু ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে। মহাক স্কুল, কলেজ, করবারৱালাশিং অমদি ইম্ফাল মনুংদা লৈবা সরকারগী কর্ম্মচারিশিংদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি।

অমরোমদা, থোংজাং অকুৎপা অমসুং সোংজাং চিংশাংগী মরক্তা থারন্বা পোপী পান্বী অমসুং কাংপোকপী জিলাগী কাংচুপ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ওলমুন ভিলেজতা পুন্না লম একর ৫৬ লোমদা থারন্বা পোপী পান্বীশিং ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা য়াম্থৎতুনা মাঙহনখ্রে। মফমশিং অদুগী লৌশঙ ১৯ দা হার বেগ তরাসু ফাগৎখি।

**অমজ্ (এল)ঃ** থা অসিগী ২১ দগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা মনিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল-২০২৫ দা পাউ লৌবা চংগদবা পাউমীশিংগী মমিং পীশিল্লকবা ওল মনিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়নন হায়রি।

অমজ্গী জেনরেল সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-অমজ্দা এফিলিয়েট তৌরবা মেদিয়া হাউসশিংনা পাউমী মঙা-মঙাগী আই.দি. কার্ড পাসপোর্ট সাইজ ফোটোগ্রাফ অনি অনি অমসুং ৱাটসপ মোবাইল নম্বর য়াওনা থা অসিগী ১৪ ফাওবগী মনুংদা অমজ্গী ওফিসতা পীশিল্লক্কদবনি।

**টুরিজম ঃ** কেন্দ্রগী টুরিজম এন্দ কলচর মন্ত্রি-গাজেন্দ্র সিংহ সেখাৱটনা ঙসি সিক্কিমদা অৱাং নোংপোক লমদমগী ওইবা ইন্টরনেসনেল টুরিজম মার্টকী ১৩ শুবা এদিসন হৌদোক্কনি।

মন্ত্রালয়গী পাউনা হায়-নুমিৎ মরিনি চথুগদবা টুরিজম মার্ট অসিদা অৱাং নোংপোক লমদমগী লম কোইফমশিংগী মরমদা নীংথিনা উৎতুনা খঙহনগনি। লমদম অসোমগী ওইবা মহৌশাগী ফজবশিং তোঙান তোঙানবা কাংলুপ কয়াগী নাৎ-চৎনবীশিং, এদভেঞ্চর টুরিজম য়াওনা লমদম অসোমগী টুরিজমবু মালেমগী মীয়ামদা হেন্না পামহন্নবা থৌরম কয়াসু শিল্লি।

মার্ট অসিদা থাইলেন্দ, স্পেন, ফ্রান্স, রাসিয়া, জর্মনি অমসুং ভিয়েটনাম য়াওনা তোঙান তোঙানবা লৈবাক ১৯ হেনবদগী লাকপা মীহুৎশিংনা শরুক য়াগনি।

**ত্রাইবেল ঃ** কেন্দ্রগী কর্ম্মস এন্দ ইন্দষ্ট্রি মন্ত্রি-পিয়ুস গোয়লনা হায়রি-ত্রাইবেলশিংনা পুথোকপা মীরৈবাক্তা য়োনবা য়াবগী মগুন লৈবা পোৎথোকশিং সরকারনা মালেমগী কৈথেলশিংদা হেন্না খঙহন্নবা হোৎনগদবনি।

ন্যু দিল্লিদা ঙরাং পাঙথোকপা ত্রাইবেল বিজিনেস কনক্লেপ ২০২৫ দা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী গোয়লনা হায়-মগুন লৈবা পোৎথোকশিং অদু লৈবাক অসিগী

মনুংদা অমদি মালেমগী কৈথেলশিংদা য়োন্ননা হোৎনবদা সরকারগী মায়কৈদগী পাংবা য়াবা মতেংশিং পাংগনি।

থৌরম অদুদা কেন্দ্রগী ত্রাইবেল এফিয়ার্স মন্ত্রি-জ্ৱাল ওরামসু শরুক য়াখি।

**কন্দেম ঃ** দিল্লিগী রেড ফোর্ট মনাক্তা কার বোম অমা পোকখায়হন্দুনা টেরোরিষ্টশিংনা অকি অখঙ থোকহন্দুনা মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙহনখিবা থৌদোক অদুবু কেন্দ্রগী মন্ত্রি-মন্দলনা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে।

ঙরাং পাঙথোকখিবা মন্ত্রি-মন্দলগী মীফমনা লৈখিদ্রবা থৱায়শিং অদুগী মফমদা মিনিট অনি তুমিন্না লেপ্তুনা ইকায় খুমবা উৎখি। মীচম মীয়ামগী পুন্সি নীংথিনা ঙাক শেন্নবা, ভারত মচা পুমমক নুংঙাই য়াইফনা লৈহন্নবা, হান্নদগী হেন্না কনশিন্না থবক তৌননবসু মীফম অদুনা লেপখি।

মন্ত্রি-মন্দলগী মীফম লোইরবা মতুংদা কেন্দ্রগী ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈসনোনা পাউমীশিংদা হায়-মীফম অদুনা ৱাখল য়াওদবা হিংশাগী থৌওংদা লৈখিদ্রবা মীওইশিং অমদি মখোয়গী ইমুংশিংগীদমক থম্মোয় শোকা অৱাবা ফোংদোকখি।

মরক অসিদা, বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা মপুং ওইনা চেন্নবনি হায়না চিংনবা ইকো স্পোর্ট কার অমা ফরিদবাদ পুলিসনা ফারে।

**ভোট ঃ** ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা হায়রি-বিহার বিধান সভা মীখলগী অহানবা অমসুং অনিশুবা তাঙ্কক্তা অমুক হন্না ভোট থাদনগদবা মফম অমত্তা য়াওখিদবা অসি ঐতিহাসিক ওইহৌরগনি।

কম্মিসননা থোকপা চেরোল অমদা হায়-তাঙ্ককশিং অসিগী মীখলদা অরানবা তৌবশিংগী থৌওং অমত্তা পোল্লিং ষ্টেসন খুদিংমক্তা থেংনখিদে। মসি রাজ্য অসিগী মীখলগী ইতিহাসতা অহানবনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

বিহার ইলেক্সন লোয়খ্রবা মতুং বি.এল. সন্তো অমদি সম্বিৎ পত্রা নুমিৎ হুমনিগী খোঙচৎতা ইম্ফালদা থুংলখ্রে হায়বা পাউ নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি-তোঙানবা মওংদা হেদলাইন পীদুনা সনা লৈবাক, মনিপুর মেল, দা পিপলস ক্রোনিকল, পোকফম, গানফিযু মেল, হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেস অমসুং সঙাই এক্সপ্রেস এদিসন অনিমক্তা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন পীদুনা অহানবা পাউ ওইনা ফোংলি।

হপ্তা কাংজৈবুংগী ম্যেন ভেন্যুদা সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে। সঙাই ফেষ্টিবেল ২০২৫ শেমগৎ শাগৎপা য়েংবা চংবা ফাওবা সেক্যুরিতিনা অধার কার্ডকী নম্বর লৌরে হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউ পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নুমিৎ মরিনি চথুগদবা নেসনেল ত্রাইবেল ফিল্ম ফেষ্টিবেল ইম্ফালগী সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা হৌখ্রে হায়বা পাউ তমেংলোং টাইমসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুরগা শমরিবা নেসনেল হায়ৰেশিং অথুবদা শেমগৎ শাগৎলগনি। ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈ লম্বী নেসনেল হায়ৰে ওইনা লাউথোক্লগনি হায়বা কেন্দ্রগী রোড ত্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৰেজ রাজ্য মন্ত্রিগী ৰাফম সনা লৈবাক পাউচেগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

আই.দি.পিশিং খুন্দা লৈতাহন্নবা গভরমেন্টনা থৌরাং তৌরি। শাফগদবা মফমশিং থিদোকি হায়বা পাউ অমা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মহৈরোইশিংনা তল্লিবা লাইরিকশিং মনিপুরি লোলদা হন্দোক্নুনা তমহন্নবা হোৎনগদবনি হায়দুনা খোঙজং চংশিনখ্রে হায়বা পাউ অমা নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ইন্দিয়ানা পুথোকপা হেন্দলুমগী আইটেমশিং মপান লৈবাকশিংদা মায় পাকা য়োনবা ঙমলি হায়বা পাউ অমা পোকফম পাউচেগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

মণিটেক্স ২০২৫ লোয়শিনখ্রে, বিজিনেস ভোল্যুম ক্রোর ৭ কী মথক্তা ওইখি হায়বা কর্ম্মস এন্দ ইন্দষ্ট্রিগী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি-অনুরাগ ভাজপায়গী ৱাফম সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

নেসনেল হায়ৱেশিংগী কিলোমিটর ৩৩২ শাংবা লম্বীশিং ২০২৬-২৭ ফাওবগী মনুংদা শেম্বা লোয়শিল্লগনি হায়বা পাউ অমা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

রোড ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজ মিনিষ্টর ওফ ষ্টেটনা মহাক্কী মনিপুর খোঙচৎকা মরী লৈননা পাউমীশিংগা উন্নখ্রে হায়বা পাউ হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসকী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।